# ৱার্ল্ড নো–তোবেক্কো দে ঃ ইন্দিয়াদা মীওই মিলিয়ন ১২০ লোম মৈখু শীজিন্নৈ, চহী খুদিংগী মিলিয়ন ১ রোম শি




*ন্যু দিল্লি, মে ৩১ ঃ*
মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি মে ৩১ বু ৱার্ল্ড নো–তোবেক্কো দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লরি। হিদাক মনাগী পোখোকশিং অসি শীজিন্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শীজিন্নবদা অনীশুবা তারে। হীদাক মনাগী পোখোক শীজিন্নবা অদুনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ১ হেন্না শি হায়রি।

গ্লেবেল এদল্ট তোবেক্কো সর্ভে (জি এ টি এস–২) রিপোর্টনা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশীংগী চাদা ২৮.৬ না হীদাক মনাগী পোখোক শীজিন্নবগা লোয়ননা মালেমগী মনুংদা পোখোক অসি খ্বাইদগী মশীং য়াম্না শীজিন্নবদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা তারে হায়বা উৎলি। মসিগী মনুংদা চাদা ১০.৭ না মৈখু ওইনা অদুগা চাদা ২১.৪ না স্মোকলেস তোবেক্কো শীজিন্নরি।

মালেমগী ওইনা মীওই ১০ শিবগী মনুংদা য়াম্না খুদোংথিবা মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা ঙম্বা পোখোক অসিনা মীওই ১ হেন্না শিবগী মরম ওইরি। মালেমদা মৈখু শীজিন্নবশিংগী চাদা ১২ দি ইন্দিয়ানশিংনি। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ২০০২ দা পাখিবা মশীংগী মতূং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা এদল্ট নুপাশিংনা চাদা ৩০ মৈখু শীজিন্নৈ হায়রি।

মালেমগী মনুংদা হীদাক মনাগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী শিরিবা মীওই মিলিয়ন ৬ কী ৬ থোকপগী ১ দি ইন্দিয়াখক্তদনি। এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকপদা হীদাক মনাগা মরী লৈননা শিবা মীগী মশীং ২০৩০ দদি মিলিয়ন ৮ য়ৌরবা য়াই হায়রি।

হীদাক মনা শীজিন্নবনা ট্যুবরকুলোসিস, হোমিসাইদ, সুসাইদ, হার্ট দিজিস, ষ্ট্রোক, ব্রোনকাইটিস, ইনফর্টিলিটি, পেপ্টিক অলসরনচিংবা লায়না কয়ামরুম নাবা হেনগৎহল্লি। ইন্দিয়া খক্তদা অহল ওইরবা মীওই অহুম খুদিংগী অমমমদি হীদাক মনাবু করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা শীজিন্নৈ। বিরি হায়বসিনা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না শীজিন্নবা হীদাক মনাগী পোৎশক ওইরি অমসুং লায়রবশিংনা মরু ওইনা থক্লে। বিরি খক্তনা ২০১১ দা লৈবাক অসিদা মী লাক্ষ ৫.৮ শিখি।

হীদাক মনা শীজিন্নবনা কেন্সরদা নত্তনা তাইপ–২ দাইবেটিস নাহন্নবগী মরম ওই। রিছার্সতা উৎপদা মৈখু শীজিন্নদবশিংগা চাংদম্নবদা মৈখু শীজিন্নবশিংনা দাইবেটিস নারকপা য়াবগী চাং চাদা ৩০ দগী ৪০ ফাওবদা লৈ।

মহৌশানা ফংলিবা হীদাক মনাদদি চিনি য়াওদে অদুবু প্রোসেস তৌরবা মওংদদি চিনিগী চাং য়াম্না হাপচিল্লি। মরম অদুনা হীদাক মনাদা ব্লদ–সুগর লেবেল হেনগৎহল্লি হায়না দাইবেটিস এদুকেটর সুজাতা শর্ম্মনা হায়রি।

হীদাক মনা অমসুং হীদাক মনাগী মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিংনা মসি থাদোকপা হায়বসি অচৌবা শীংনবা অমনি অমসুং প্রোফেস্নেলগী মতেং অমসুং রিহেবিলিটেসনগী মথৌ তাই। স্মোকলেস তোবেক্কো শীজিন্নবগী এদিক্ট ওইরবশিং থাদোকহনবদা নিকোতিন গম, নিকোতিন পেটচেস অমসুং লোজেনসশিংনা মতেং ওইবা য়াই। বুপ্রোপিওন এস আর অমসুং ভারেনিক্লাইন টরট্রেটকুম্বা প্রেসকিপসন মেদিসিনশিংসি নিকোটিন এদিসন থাদোক্লনবা ফিজিসিয়ানশিংগী পাউতাক মখাদা শীজিন্নবা য়াই হায়রি।

# মুসারফকী নেস্নেল আদেন্টিটি কার্দ, পাস্পোর্ট থিংজিল্লগনি



*ইস্লামাবাদ, মে ৩১ ঃ*
পাকিস্থানগী হান্নগী দিক্টেতর, জেনরেল (রিটয়ার্দ) পর্ভেজ মুসারফকী নেস্নেল আইদেন্টিতি কার্দ (এন আই সি) অমসুং পাস্পোর্ট অদু পাকিস্থান গভর্ণমেন্টনা ব্লোক তৌশিল্লগনি হায়না মেদিয়াগী পাউ অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পর্ভেজ মুসারফকী মায়োক্তা হায় ট্রিজনগী কেস লৈরিবা কোর্ট অদুগী মমাঙদা মহাক মশা লাক্তবগীদমক কোর্টকী ওর্দর অমা ইন্দুনা গভর্ণমেন্টনা মুম্বাইদা লৈরিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী চখোক চৎশিন অমসুং মানা ফংলিবা অতৈ ফেসিলিটিশিং অকক্লবা অথিংবা থম্নবা গভর্ণমেন্টনা থবক লৌখৎলগনি। থবক অদু পাঙথোক্লবা নেস্নেল দটা বেজ এন্দ রেজিষ্ট্রেসন ওথোরিটি (এন এ দি আর এ) অমসুং ইমিগ্রেসন এন্দ পাস্পোর্ট দাইরেক্তোরেটতা খঙহনখ্রে হায়না দ এক্সপ্রেস ট্রিবুনগী পাউনা হায়রি।

মুসারফনা হৌজিক মপান লৈবাক্তা চৎপা য়াররোই অমসুং বেঙ্কিং ট্রানসেক্সনশিংগী ফেসিলিটি অদুসু ফংবা ঙম্লরোই। পাকিস্থান অমসুং পাকিস্থানগী মপান্দা লৈরিবা মহাক্কী লন–থুমশিং লৈবা নৎত্রগা য়োনবসু থিংজিল্লগনি হায়না লীখুন অমা পল্লদুনা নুংতিগী ফোঙবা পাউ চে অদুনা হায়রি।

কুমজা ২০০৭ তা লৈবাক অসিদা ইমর্জেন্সি লৈঙাক থমজিনবগীদমক প্রোক্লেম ওফেন্দর ওইরবা অসিগী মায়োক্তা লৈরিবা হায় ট্রিজন কেস অদুগী হিয়ারিং চথবদা স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা হান্নগী প্রসিদেন্টসিবু ফানবা অমসুং মহাক্কী মরন–মথুম পূন্নমক মৎনবা গভর্ণমেন্টতা ওর্দর তৌখি।

কুমজা ২০০৭ কী নভেম্বর ৩ দা পাকিস্থান্দা ইমর্জেন্সি লৈঙাক থমজিন্দুনা কন্সটিট্যুসনবু নমথবগী মরালশিংদা ট্রিজন কেস অসি লৌখৎখিবনি।

এপ্রিল ৭ দা চীফ জষ্টিস মিয়ান সকিব নিসারনা স্পিসিয়েল বেঞ্চ অদুগী অনৌবা কম্পোজিসন অমা পুখৎলকখি। মদুদা লাহোর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস য়াৱার অলিনা লুচিংগনি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদি থোকফম থোকপা নোটিশ অমত্তা থোক্তি।

২০০৭ দা ইমর্জেন্সি থমজিন্দুনা মকোক থোংবা কোর্ট জজ কয়ামরুমবু মখোয় মখোয়গী য়ুমদা ফাজিন্দুনা থম্বা অমসুং জজ ১০০ হেনববু মফম লৌথোকখিবগীদমক মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মুসারফপু ২০১৪ গী মার্চতা ট্রিজনগী চার্জ তৌখিবনি। স্পিসিয়েল কোর্ট অদুনা হান্নদি ইন্টরিও মিনিষ্ট্রিদা মহাকপু ফানবা ইন্টরপোলদা চৎনবা পাউতাক পীখিবনি।

হায় ট্রিজনগীদমক করিগুম্বা কম্মিসন ফংবা তারবদি শিবগী চৈরাক পীগনি নৎত্রগা পুন্সি চূপ্পা জেলদা থমগনি। মুসারফনা ১৯৯৯ দগী ২০০৮ ফাওবা পাকিস্থানগী লৈঙাক পায়রম্মী। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনাজির বুতো হাৎপা য়াওনা ক্রিমিনেল কেস কয়াগী লমদা মহাকপু ফাদুনা ৱায়েনবা মথৌ তারিবনি।

# চিনানা ইন্দিয়ান ওসিনদা সিস্মোমিটর ১০ থমখ্রে

*বৈজিং, মে ৩১ ঃ*
চিনানা ইন্দিয়ান ওসিনগী মখাদা য়ুহার হাবশিং, মৈগী চীং পোকখাইবশিং নৎত্রগা বোম পোকখাইবশিংগী চাং ওনবা শীজিন্নবা ওসিন সিস্মোমিটর ১০ মায় পাক্লা থমখ্রে। খা নোংচুপ থংবা ইন্দিয়ান্দ ওসিনদা চিনাগী ৪৯ শুবা ওসিল এক্সপিদিসন টিমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সমুদ্রগী লৈখাদা খূৎলাইশিং অদু থমখিবনি হায়না চিনাগী গভর্ণমেন্টনা চলাইবা গ্লেবেল টাইমসকী পাউনা হায়রি।

ওসিন–বট্টম সিস্মোমিটরশিংনা সমুদ্রগী লৈমায়দা য়ুহার হাবশিং অমসুং খূৎশেমনা থোকহনবা নীকপশিংগী দটা খোমজিন্নবা মতম হেন্না শাংনা ওপরেট তৌবা ঙম্মী।

মথং চহীদা ওসিন–বট্টম সিস্মোমিটর ১৫ সমুদ্র মনুংদগী লৌখৎলগনি হায়না সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দেল্লিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা হায়খি।

সিস্মোমিটর অমগী মপুন্সি অসি মখা তাবা রিছার্সকীদমক ঈশিং লৈখাদগী লৌখৎত্রিঙৈগী মমাঙদা থা কয়ামরুমদগী চহী অমা ফাওবগী মপুন্সি লৈ।

চিনাগী ৪৯ শুবা ওসিন এক্সপিদিসন টিম অদুগী আর্ট ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক ক্যু লৈগী মতূং ইন্না খা নোংচুপ থংবা ইন্দিয়ান ওসিনগী জুনহুই হায়দ্রোথর্মেল ফিল্ডদা চিনানা সিস্মোমিটর থম্বসি মসিনা অহানবনি হায়রি।

চিনানা অনকপদা লৈবা হায়দ্রোথর্মেল ফিল্ড অহুম হায়বদি লোংকি, য়ুহুৱাং অমসুং দুৱানকিৱাওদা সিস্মোমিটরশিং থমখ্রে।

অনৌবা থমখিবা সিস্মোমিটরশিং অসি চহী অমগী মতম হেন্না ওপরেট তৌবা য়ানবা হেন্না চাউবা বেটরি কেপাসিটিশিং শীজিন্নৈ। হায়রিবা খূৎলাইশিং অসিদগী ফংবা মরোলশিং অদুনা অপীকপা য়ুহার হাবগুম্বা ইচম চম্না খঙবদা লুবশিং অদু খঙহনগনি।

খা নোংচুপ ইন্দিয়ান ওসিনদা তৌবা রিছার্স মিলিটরি এক্টিভিটিদগীনি হায়না ফোরেন মেদিয়ানা অয়াম্বা মতমদা লান্না লৌই। অদুবু মদু নত্তে হায়না সাংহাই একাদমী ওফ সোসিয়েল সাইন্সেস ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টর্নেস্নেল রিলেসন্সতা রিছার্স ফেলো ওইরিবা হু ঝিয়োংনা গ্লোবেল টাইমসতা হায়খি। ইন্টর্নেস্নেল ৱাতরসতা সাইন্টিফিক রিছার্স তৌবা হায়বসি মনীং–মখা তম্বা লৈবাক খুদিংমক্কী হক লৈ। মরম অদুনা মখোয়না মিলিটরি এক্টিভিটিগীনি হায়রিবশিং অদু মরম চাদে হায়খি।

এক্সপিদিসন অসি জিয়াংয়াংহোং ১০ কৌবা রিছার্স সিপ অমদা ২০১৭ গী দিসেম্বর ৬ তগী হৌখিবনি। মসিদা পার্সোনেল ২০০ হেন্না শরুক য়ারি অমসুং নুমিৎ ২৫০ রোম চৎখগনি হায়রি।

# কিম য়োং চোল না ন্যু য়োর্কতা মাইক পোম্পিওগা উন্নখ্রে

*ন্যু য়োর্ক, মে ৩১ ঃ*
নোর্থ কোরিয়া অমসুং য়ু এস কী লীদরশিংনা মথং থাদা উন্নগদৌরিবা ইতিহাসিক ওইবা সমিট অদু শোয়হন্দনবগীদমক য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও অমসুং মকোক থোংবা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসিয়েল কিম য়োং চোলনা ঙরাং ন্যু য়োর্কতা উন্নখ্রে।

নোর্থ কোরিয়ান লীদর কিম জোং উনগী রাইট হেন্দমেননি খন্নরিবা কিম য়োং চোলনা বৈজিংদগী ন্যু য়োর্কতা পাইখিবনি। চহী ১৮ গী মনুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎপদা মহাক্লা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবা নোর্থ কোরিয়ান ওফিসিয়েল ওইরে।

পিওংয়াংগী এনভোইনা নুমিদাংৱাইরমগী চাক্লেনগীদমক মনহাট্টনগী ইষ্টতা লৈবা য়ু এস দিপ্লোমেট অমগী দিপার্টমেন্টতা পূং ১.৩০ রোম উন্নখি। অনী অসিনা ঙসি শগোলশেন নুমিৎকীদমক্তসু অনীরক হন্না উন্নবা লেপ্লখি।

মখোয় অহুম উন্নবগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা পাউ মীশিংদা পোম্পিওনা ফোঙদোকপদা মদু য়াম্না ফজবা অমা ওইখি হায়খি।

মতম অমদা কোরিয়াবু লান অমুক তৌনহনবা য়াবগী অকিবা পীখিবা ন্যুক্লিয়ারগী মুক্নবা অমা লোয়শিন্নবা জুন ১২ সমিটকীদমক অরোয়বা থৌরাং তৌনবা ওফিসিয়েল অনীগী মরক্তা ঙরাং উন্নখিবা অদুনা অহুন্নক শুবনি।

হৌজিক লৈহৌরিবা চয়োল অনীগী মতমগী মনুংদা করি করি তৌবা মথৌ তাবা লৈরিবগে হায়বদু য়েংনবা মখোয় অনীনা উন্নরি হায়না মকোক থোংবা য়ু এস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

থা অসিগী অঙনবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা সমিট অদু তোক্লে হায়না খুদক্তা লাওথোরকখি। মদু য়ু এস কী নাকন্দগী কিহনবগী ৱা ঙাংই হায়দুনা নোর্থ কোরিয়ানা য়াম থিনা চৈবা ৱারোল অমা ঙাংলকখিবদগীনি।

লুচিংবা অনী উন্ননবগী ৱারেপ অদু চাম্দা চাম্না প্রসিদেন্টকী খূৎতা লৈরে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

২০০০ দা য়ু এস প্রসিদেন্ট বিল ক্লিন্টনবু ভাইস মার্সেল জো ময়োং রোক্লা উন্নখিবা অদুগী মতূংদগী য়ু এস কী লৈমায়দা লাকপদা কিম জোং চোলনা খ্বাইদগী সেনিয়ার ওইবনি। নোর্থ কোরিয়া লুচিংবনা চিনাদা লৈবাক্তুগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিং উন্ননবা হন্দক চৎখিবা খোঙচৎ অনীমক্তা মহাকসু য়াওখি। পিওংয়াংদা পোম্পিও লাকপদা মহাক্লা ৱারী শান্নখি হায়রি।

# নিপাহ ভাইরসনা নাবা ২ সু শিখ্রে

*কোজিকোদ, মে ৩১ ঃ*
হৌজিক ফাওবদা মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা নৎত্রগা ফহন্নবা ভেক্সিন লৈত্রিবা নিপাহ ভাইরসনা নাবা মীওই ২ অমগসু শিখ্রে। মসি থারগা ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মীগী মশীং পূন্না ১৫ শুখ্রে। কোন্না শিখিবা মীওই ২ অসিসু কোজিকোদতগীনি।

নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজি, পুনেনা করাসেরিদা লৈবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা মীওই অমগী ব্লদ সেম্পলদা নিপাহ ভাইরস য়াওরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা নাবা মীওই মশীং ১৭ শুখ্রে।

কোলকটাদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নিপাহ ভাইরসনা নাবনি চীংনবা লান্মী অমা শিখি। সীনু প্রসাদ কৌবা লান্মী অসি কেরলাদগীনি অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফোর্ট ৱিলিয়মদা পোষ্টিং তাবনি। কেরলাদা থা অমগী ছুটি লৌরুবদগী মাগী পোষ্টিং মফমদা হল্লক্লবা নুমিৎ ৭ নিগী মতূং মে ২০ দা মহাক হোস্পিটালদা লায়েংখিবনি।

মী শিহনবা ভাইরস অসি মী অমসু শা অনীমক্তা নায় অমসুং হকথেংননা শম্নবদগী শন্দোকই। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতূং ইন্না লায়না অসিগী লায়োং পূং ২৪ দগী ৪৮ ফাওবগী মনুংদা কোমা য়ৌরকপা য়াই হায়রি। সেকপিশিংনা ভাইরস অসি মরু ওইনা পুবনি থাজনরি।

# হান্নদগী হেন্না ফগৎহল্লবা পিনাকা রোকেট মায়পাক্লা চাংয়েংখ্রে



*বালাসোর, মে ৩১ ঃ*
উরিষ্যাগী চান্দিপুরদগী ঙসি থংন থংননা নীনিশুবা নুমিত্তা হান্নদগী হেন্না ফগৎহল্লবা পিনাকা রোকেট মায় পাক্লা চাং য়েংখ্রে।

মসিগী চাংয়েং মায় পাকখিবা রোকেট অসি হান্নদগী হেন্না শানবা হেল্লি অমসুং গাইদেন্স সিষ্টেমসু হেন্না ফৈ। ঙরাং মায় পাক্লা চাংয়েং অনীরক কাপখিবগী তুংদা ঙসিসু চাংয়েংসি পাঙথোকখিবনি।

ঙসিগী চাংয়েং অদুদা দি আর দি ও গী মখাদা প্রূফ এন্দ এক্সপরিমেন্ট ইষ্টাব্লিসমেন্ট (পি এক্স ই) গী ফাইয়ারিং পোইন্টতগী অয়ূক পূং ১০.৩৫ রোম চৎপদা মল্টি–বেরেল লোঞ্চর অমদগী রোকেট অদু পাকখৎখিবনি হায়না দিফেন্সকী লীখুনশিংনা হায়রি।

হান্না লৈরম্বা পিনাকা রোকেটকী সিষ্টেম অদু গাইদেন্স সিষ্টেম নত্তে। হৌজিক্তি হায়দরবাদতা লৈবা রিছার্স সেন্টর, ইমারট (আর সি আই) না দিভলপ তৌবা নেভিকেসন, গাইদেন্স অমসুং কন্ট্রোল কিট পানশিন্দুনা অনৌবা হেন্না ফগৎলবা রোকেট অমা ওইহনখ্রে।

হান্নদি রোকেট অসিগী রেঞ্জ কিলোমিটর ৪০ ওইরম্মী। হৌজিক্লা মসিগী রেঞ্জ কিলোমিটর ৭০ হেল্লে। চান্দিপুরদা লৈরিবা দিফেন্স রেঞ্জদা রাদরশিং, ইলেক্ট্রো–ওপ্টিকেল সিষ্টেমশিং অমসুং টেলিমিট্রি সিষ্টেমশিংনা পিনাকা রোকেটনা পাইদুনা চৎখ্রিবা পূং অদু খোঙ্গুল লীখি অমসুং মোনিটর তৌখি। অনৌবা পিনাকা অসিনা সেকেন্দ ৪৪ দা রোকেট ১২ কাপ্পা ঙম্মী।

গাইদেদ পিনাকা রোকেট অসি অর্মামেন্ট রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ইষ্টাব্লিসমেন্ট (এ আর দি ই), পুনে, আর সি আই অমসুং দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট লেবোরেটরি (দি আর দি এল), হায়দরবাদনা ইন্দিয়ান আর্মিগীদমক পূন্না পুথোকখিবনি।

# 'মনমোহনগুম্বা এদুকেটেদ প্রাইম মিনিষ্টর অমা মাঙজরে'

*ন্যু দিল্লি, মে ৩১ ঃ*
হীরম কয়ামরুমগী মতাংদা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী পোলিটিকেলগী ওইনা শাথিনা য়েংথিনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু চৈখ্রে অমসুং দিল্লি গভর্ণমেন্টকী থবক তৌবদা খুরৌ থাংহল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।

ঙসি আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু চৈরবা অমসুং মরাল শীরবা তুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ডাক্তর মনমোহনশিংগুম্বা লাইরিক লাইশু হৈরবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা মাঙজরে হায়খি।

হান্নগী ব্যুরোকেট অমা ওইরিবা মিষ্টর কেজ্রিৱালনা ট্যুটরগী মতাংদা ফোঙদোকপদা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইবা হায়বসি লাইরিক–লাইশু হৈগদবনি হায়খি। ৱাফমসি ইন্দিয়াগী শেল রুপিগী মমল হন্থরকখিবগী মতাংদা ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলগী রিপোর্ট অমা পল্লদুনা ফোঙদোকখিবনি।

ডাক্তর মনমোহন সিংহ ওক্সফোর্ড য়ুনিভর্সিটিদগী পি ঐচ দি ফংবা মীওইনি অমসুং দিল্লি স্কুল ওফ ইকোনোমিক্সতা ওজা ওইরম্মী।

মহাক্লা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরম্মী। ইকোনোমিক এফিয়ার্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইরম্মী।

মিষ্টর কেজ্রিৱাল অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লাইরিক–লাইশু তম্বগী মতাংদা মতম পূন্নমক্তা ৱাহং হংখি অমসুং মহাক্কী দিগ্রিগী মতাংদা চিংনবা ফোঙদোকখি হায়রি।

# বেঙ্ক ষ্ট্রাইক লোইশিনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ৩১ ঃ*
লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্কর লাক্ষ ১০ রোমনা চৎখিবা নুমিৎ নীনিগী ষ্ট্রাইক মায় পাক্লা ঙসি লোয়শিনখ্রে। ষ্ট্রাইক অসিনা ইন্দিয়াগী মফম পূন্নমক্তা বেঙ্কিংগী থবকশিংদা অপনবা থোকহনখি।

মেনেজমেন্ট বোর্দি ওইরিবা ইন্দিয়ান বেঙ্কর্স এসোসিয়েসন (আই বি এ) না চাদা ২ খক্কী তলব হেনগৎকনি হায়খিবদুগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুনিয়ন ৯ গী অম্ব্রেলা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্কিং য়ুনিয়ন্স (য়ু এফ বি য়ু) না ষ্ট্রাইক অসি চৎখবনি। হয়েং ইরাই নুমিত্তগীদি মহৌশাগুম বেঙ্ককী থবক চৎখরগনি হায়রি।

# চৎনদ্রবা লুপা লাক্ষ ৪২গা কোন্নবা উলফাগী কাদর ২ ফারে

*গুৱাহাটি, মে ৩১ ঃ*
দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী চাওলখোৱাদগী রাজপুত্না রাইফলস অমসুং পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চৎখিবা অপুনবা ওপরেসন অমদা উলফা (আই) লিঙ্কমেন ২ ফাখ্রে অমসুং মখোয়দগী লুপা লাক্ষ ৪২.৫ কী হান্নগী অরীবা চৎনদ্রবা শেনয়েকশিং ফংখ্রে হায়রি।

# 'আইদিয়া' না লুপা ক্রোর ৪,০০০ গী মোবাইল টৱার ৯,৯০০ য়োনখ্রে

*মুম্বাই, মে ৩১ ঃ*
টেলিকোম ওপরেটর আইদিয়া সেল্লুলরনা অমেরিকান টৱার কোর্পোরেসন (এ টি সি) গী ইন্দিয়াদা লৈবা মশাদা লুপা ক্রোর ৪,০০০ গী মোবাইল টৱার ৯,৯০০ রোম য়োনবগী থবক মপূং ফানা লোয়শিনখ্রে হায়না ঙসি আইদিয়া সেল্লুলরনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা আইদিয়ানা হায়খি, মোবাইল টৱার য়োনবগী থবক অদু চাওরাক্লা ষ্টেন্দএলোন টৱার ৯,৯০০ রোমগীদমক দোলর বিলিয়ন ৪০ রোমগীনি।

এ টি সি না ভোদাফোন ইন্দিয়াগী মোবাইল টৱার লৌশিনবগী থবক লোয়শিনখ্রে। মদু লুপা ক্রোর ৩,৮৫০ রোমগীনি। মসি থারগা এ টি সি গী মোবাইল টৱার ১০,২০০ রোম হেনগৎখ্রে।

অমেরিকান কোর্পোরেসন্দা আইদিয়াগী টৱার য়োনবগী মমল অদু আইদিয়া অমসুং বোদাফোন অনী পুনশিন্নরবা এনতাইটিগী শেন্দোন হন্থহনবদা অনীমক্লা শীজিন্নগনি। ৱাফম অসি ভোদাফোন ইন্দিয়া অমসুং আইদিয়া অনী পুনশিন্নবগী এগ্রিমেন্টতা হান্ননা য়াওখ্রবনি। ভোদাফোন ইন্দিয়া অমসুং আইদিয়া অনী পুনশিন্নখিবা অদুনা লৈবাক অসিদা সবসক্রাইবর মিলিয়ন ৪৩০ রোম লৈদুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা টেলিকোম ওপরেটর অমা ওইহল্লগনি।


RST Resonant Tutorials

RESONANT TUTORIALS

Imparting Light to Medical Aspirants

SL/Bill (upto 12 June)

ADMISSION OPEN

Regular Course for Medical Entrance Exam

NEET (UG) - 2019

Class Commence : 21st June, 2018

Last Date of Admission : 19th June, 2018

Separate Section For Purely English Medium.

Hostel facility for Boys & Girls.

For more details, pliz contact: Resonant Office

Keishampat Keisham Leikai, Near Manipur Rural Bank

Office Timing: 8:00 a.m. - 4:00 p.m.


## GAS TODAY

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 16/06/18
Valid : 31/05/18
Stk : 270
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**K K Gas**
Booking : 05/05/18
Valid : 26/04/18
Stk : 918
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 10/05/18
Valid : 03/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 17/04/18
Valid : 05/04/18
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Yairipok**
Booking : 25/04/18
Valid : 21/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Lamsang Gas**
Booking : 26/04/18
Valid : 24/04/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**TTK Sekmai**
Booking : 23/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 16/04/18
Valid : 09/04/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 23/04/18
Valid : 18/04/18
Stk : 306
Sl. No. 6061 upto 6900

**R & H Indane Service**
Booking : 12/04/18
Valid : 23/03/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m

সনা–সুদোকু –১১৮৩ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 6 | 5 | 3 | 9 | 8 | 1 | 4 |
| 9 | 4 | 1 | 8 | 6 | 7 | 3 | 2 | 5 |
| 8 | 5 | 3 | 1 | 2 | 4 | 9 | 6 | 7 |
| 3 | 8 | 4 | 2 | 9 | 6 | 5 | 7 | 1 |
| 7 | 2 | 5 | 4 | 1 | 8 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 6 | 9 | 7 | 5 | 3 | 2 | 4 | 8 |
| 5 | 9 | 2 | 3 | 7 | 1 | 4 | 8 | 6 |
| 6 | 1 | 8 | 9 | 4 | 2 | 7 | 5 | 3 |
| 4 | 3 | 7 | 6 | 8 | 5 | 1 | 9 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1184**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 2 | | | 1 | | |
| | | 6 | | | | | | |
| | | | | | | 4 | | 8 |
| 6 | 1 | | | | | 2 | | |
| | | | 3 | 9 | | 6 | 7 | |
| | 5 | | 1 | 6 | | | 4 | |
| | 4 | | | 2 | 1 | | | |
| | 9 | | | 8 | | | 6 | |
| | | | 9 | | 7 | | | 4 |